IJCRT.ORG ISSN : 2320-2882

INTERNATIONAL JOURNAL OF CREATIVE RESEARCH THOUGHTS (IJCRT)

An International Open Access, Peer-reviewed, Refereed Journal

# সাহিত্য অমসুং ফিলোসোফি: ইন্টরডিসিপ্লিনারি মীৎয়েংদগী নৈনবা

## (Literature and Philosophy: An Interdisciplinary Study)

Y Urmila Leima

Research Scholar, Dept. of Manipuri, Assam University, Silchar, Assam

***ৰামচং** (**Abstract**)*

*মালেমদা মীওইবগী পুক্নিং ৰাখল, অনিংবা অপাম্বা, নুংশিবা, নীংবা কাইবনচিংবা কয়া ইদুনা ফোংদোকপা অঙনবা মতমদগী চৎনরকই। সাহিত্য অমসুং দর্শন শাস্ত্র অনি অসি মীওইবগী অনিংবা অপাম্বা ফোংদোক্নবগী খ্বাইদগী নক্নবা হীরমনি। দর্শন শাস্ত্রদা মরু ওইনা পাউতাক, অচুম অরান, লৌশিং জ্ঞান, ধর্ম্ম, পুন্সিগী অর্থ অমসুং পান্দমনচিংবা নৈনৈ। অদুগা নাকল অমরোমদা ফজবা ৰাহৈ ৰাতা শীজিন্নদুনা মীওইবগী পুক্নিংগী অনিংবা অপাম্বা, কল্লক মিহৌবা কয়াবু ফোংদোকপা, পুন্সি অমসুং সমাজগী মশক অয়েৎপা অথিংবা য়াওদনা সাহিত্যদা য়েকই। মপুং ওইবা মীৎয়েংদা হীরম অনি অসিগী শকনাইরবা মীওই কয়ানা অমনা অমগী মতেং লৌদুনা মখোয় মখোয়গী ৰাখল্লোন ফোংদোকলম্মী। হীরম অনি অসিগী শক্নাইরবা অইবা কয়া মালেমদা খোঙদারকখ্রে অমসুং মখোয়গী অৱাংবা আদর্শশিংবু মীওইবা জাতিনা ঙসিসু নৈনরি। মমীং লৈরবা কবিশিংনা মখোয়গী ফিলোসোফিকেল ওইবা ৰাখল্লোনশিং ইদুনা ফোংদোকলি। নাকল অমরোমদা শক্নাইরবা দার্শনিক কয়ানসু মখোয়গী ৰাখল্লোন, পাউজেল পাউতাক কয়া সাহিত্যগী খূৎথাঙদা মীয়ামদা শন্দোকলি। মরম অদুনা হীরম অনি অসিগী লৈনরিবা মরী অমসুং ইন্টরডিপেন্দেন্সিগী মতাংদা নৈনবা য়াম্নমক তঙাইফদ্রবনি।*

***মরু ওইবা ৱাহৈশিং* (Keywords):** *ফিলোসোফি, সাহিত্য, ইন্টরডিসিপ্লিনারি, সবজেক্ত।*

## ৱাহৌদোক (Introduction)

সাহিত্য হায়বসি মীওইবা জাতিগী থাদোকনবা য়াদ্রবা হীরম অমনি। মীওইবগী অনিংবা অপাম্বা, থম্মোইগী ঈহৌল, কলা, সংস্কৃতি অমসুং কল্পনানা শাগৎলকপা শক্তম কয়াবু য়েক্লনবা সাহিত্যগী মতেং লৌদুনা অতৎ অখম লৈতনা শৈরেং, ৱারেং, উপন্যাস, ৱারীমচা, দ্রমানচিংবগী শক্লোনদা চেন্থরকলি। মায়কৈ অমরোমদা ৱাখল লুনা খনবা দার্শনিকশিংসু মখোয়গী আইদিয়া, সমাজ চেতনা, এথিক্স, পুন্সিগী অর্থ অমসুং মোরেলিটিগী ৱাফম কয়া সাহিত্যগী থোংদা ফোংদোকপা থেংনৈ। হীরম অনি অসিগী অইবশিংনা অমনা অমগী মতেং লৌদুনা মীয়ামদা মখোয়গী ৱাখল য়ৌহননবা হোৎনৈ। অদুবু য়াম্না নক্লবা সবজেক্ত অমা ওইরবসু মশাগী শক্তম অমমমদি লৈতবা নত্তে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা সভ্যতাগী দার্শনিকশিংনা সাহিত্যবু য়াম্না মরু ওইনা লৌরম্বগী ৱাফমশিং লৈরি। হীরম অনি অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী, ইন্টরডিপেন্দেন্সি অমসুং তুংগী আশাগী মরমদা নৈনবা য়াম্নমক মথৌ তারি।

## পান্দম (Objectives)

নৈনচে অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি তোঙান তোঙানবা হীরম সাহিত্য অমসুং ফিলোসোফি অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা নৈনবনি। অখণ্ড অহৈশিংগী মোত মতুং ইন্না হীরম অনি অসি থাদোকনবা য়াদবা অমনা অমদা শাদোং ওইদুনা অনিংবা অপামবা ফোংদোকনবা হোৎনৈ। হীরম অনি অসি কয়ামুক অমনা অমদা তাংবগে অমসুং অমনা অমগী মতেংনা ফোংদোকনীংলিবা ৱাখল্লোনশিং নিংথিনা ফোংদোকপগে হায়বদু নৈনবনি।

## নৈন কাংলোন (Methodology)

পেপর অসি নৈনবদা মথৌ তাবা ডাটাশিং মরু ওইনা লাইরিক, জর্নেল, রিসর্চ আর্টিকলনচিংবা য়েংশিনবগা লোয়ননা ক্বালিটেটিপ মেথোদ শীজিন্নগনি। লম অসিদা খণ্ড হৈরবা ওজাশিংগা তান্নদুনা মপুং ফাবা পেপর অমা ওইনবা হোৎনজে।

## লিটরেচর রিভিউ (Literature Reviews)

হীরম অসি হৌজিক ফাওবা পাক চাওনা নৈনদ্রি হায়বা য়াই। য়াম্না নক্নবা জেনর ওইরবসু নৈনরোয়শিংনা তরাইনা লৌবা নত্রগা মীৎয়েং চঙশিল্লুদবনা হৌজিকসু হীরম অনি অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অমসুং অমনা অমদা শাদোং ওইবগী শক্তম অপাবশিংগী থোংদা ময়েক লানা পুথোকপা ঙমদ্রি। অদুবু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা মসিগা মরী লৈনবা লাইরিক খরদি উবা ফংই। খরদং লৌখৎলবদা ফ্রেন্সিস রিচার্দ কুন্সকী Literature and Philosophy: Structure and Experiances, 1971, বেড়ি ষ্টোক্কর অমসুং মাইকেল মেকনা এদিট তৌবা The Palgrave Handbook of Philosophy and Literature (ed.) 1992, ডেবিদ রুদ্রমনা এডিটর ওইবা Literature and Philosophy: A Guide to Contemporary Debates (ed.), 2006, আলেকজেন্ডার রোডল্ফ ভিনেটগী Outlines of Philosophy and Literature, 2019 শিং পনবা য়াই। লাইরিকশিং অসিদা ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্যগী লৈনবা মরী অমসুং মপুংফানা ফোংদোক্লবা হোৎনবদা লৌনরিবা থৌদাংগী মতাংদা চওরাকপা মশক খরদি উবা ফংই।

## হীরম অসিগী মরমদা নৈনবা (Discussion of Literature)

সাহিত্য অমসুং ফিলোসোফি সবজেক্ত অমা ওইনা অমসুং অনি অসিগী ইন্টরকনেক্সন অমসুং ইন্টরডিপেন্দেন্সিগী মতাংদা হঙ্গৎনা য়েংলুরবদি গ্রীক ফিলোসোফরশিংগী ৱাখল মীৎয়েং য়াম্না মরু ওই। অদুবু চহী লিশিং মঙা হেন্না শাংবা ইষ্টর্ন ফিলোসোফিগী ইতিহাস অমসু লৈজরি। গ্রীক দার্শনিকশিং প্লেটো অমসুং এরিষ্টোটলদগী হৌদুনা সাহিত্যগী মরমদা খন্নবা হৌরকখ্রে। শক্লাইরবা গ্রীক দার্শনিক অনি অসিগী সাহিত্যগী মতাংদা খেন্নবা মোতশিং লৈ। প্লেটোনা সাহিত্য অমসুং শৈরেংবু আলোচনা তৌবগা লোয়ননা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকলম্মী। মহাক্কী মোত্তা শৈরেং হায়বসি অশেংবা শক্তমগী অনিরক মশক ওল্লকলবা অমসুং সমাজদা ফত্তবা ইম্মোরেলিটি শন্দোকপা হীরম অমনি হায়না ফোঙদোকলম্মী।

> … poetry corrupt and spoilt the society because it teaches us immorality, evil bad manner and crudity because the characters in the poetry lie, cheat, deceive and enjoy torture the people, so he thinks that poetry is dangerous and take us further away from reality.[১]

নাকল অমরোমদা এরিষ্টোটলনা প্লেটোনা সাহিত্য অমসুং শৈরেংগী মরমদা ফোঙদোকলম্লীবা ৱাফমশিং অসি য়ানংদবা ফোঙদোকলম্মী।

> in his Poetics, Aristotle discusses the ways in which literature imitates reality, and how this imitation can be used to create powerful emotional experiences for the reader or audience. He believed that literature has the ability to capture the essence of human experience and provide insight into the world around us.[২]

সাহিত্যগী মতাংদা শক্লাইরবা দার্শনিকশিং অসিগী খেন্নবা মোত লৈরবসু মতম অসিদগী হৌদুনা সাহিত্য অমসুং ফিলোসোফি অনিগী মরমদা খন্ন নৈনবা হৌরকখ্রবনি। মতুংদা লাকপা দার্শনিক অমসুং সাহিত্যকারশিংসু হীরম অসিদা নৈনবা লেপত্রি। হীরম অনি অসিগী মরক্তা লৈরিবা মান্নবা অমসুং খেন্নবগী মতাংদা মালেমগী অখণ্ড অহৈশিংগী খেন্নবা মোত কয়ামরুম লৈ। Louis Zoo নদি ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্য অনি অসি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংনি অমসুং অনি অসিগী মরক্তা শমজিন্নবা য়াবা মান্নবা অমত্তা য়াওদে হায়না ফোঙদোকলি।[৩] অদুবু অতোপ্পা অইবা খরনসু ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্য অনিগী খেন্নবা মশক লৈজরবসু নৈনরিবা হীরমদা মান্নবা মশক কয়া লৈ অমসুং মসিনা খাইদোক্লবা য়াদবা মরী লৈনৈ হায়না মোত পী। Olusegun Oladipo গী মোত মতুং ইন্না ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্য অনিসি মরু ওইনা হীরম অনিদা মরী লৈনৈ হায়না পল্লি। মখোয়শিং অদুদি Social Consciousness and Constructions of Language হায়বসিনি।[৪] Oladipo গী মোত মতুংইন্না অহানবগী থাক Social Consciousness তা ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্য হায়বসি খুনাইগী থবক থৌরমবু নৈনবনি। মীওইবর্গী লমচৎ-শাজৎ, অচুম-অরান, মসিগী মহৈনচিংবা কয়াবু নৈনৈ। অনিশুবা থাক্তনা ৱাহৈ অমসুং লোনবু মপুঙফানা শেমগৎতুনা ফোঙদোকনবা হোৎনৈ। ফিলোসোফিদনা করিগুম্বা পোৎ নত্রগা থৌদোক অমগী মরমদা পুক্নিং ৱাখলদা শাগৎলগা ৱাহৈগী মতেংনা ফোঙদোকনবা হোৎনবনি। অদুগা সাহিত্যনা হায়রিবা ৱাহৈশিং অসিগী মতেংনা অইবা অমগী ৱাখল্লোন, সমাজগী ফিভমনচিংববু য়েক্লবা হোৎনবনি। খরগা হেন্না কূপশিন্না নৈনরবদি হীরম অনিমক মীওইবগী সমাজগা হকথেংননা নত্রগা নাকোইননা মরী লৈনৈ। মালেমগী মমিং লৈরবা ফিলোসোফর কয়ানা মাগী মাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপদা সাহিত্যগী মতেং লৌবা অমসুং অফাওবা অইবা কয়ানসু লন্নাইগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী ফিলোসোফিকেল থোৎস্ কয়া ফোঙদোক্তুনা লাকলি। ফিলোসোফি

অমসুং সাহিত্য অনিগী মরক্তা নক্লবা মরী লৈনবতা নত্তনা হায়রিবা হীরম অনি অসি অমনা অমদা চঙশিন্নদুনা লৈ। মসিবু মপুঙ ফানা ফোঙদোকপা ওইনা উৎলিবদিঃ

> Philosophy and Literature involves the literary treatment of philosophers and philosophical themes and philosophical treatment of issues raised in literature.[৫]

ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্য হায়বসি মতম অয়াম্বদা ফংনিংলিবা পান্দম অমদি পীনিংলিবা পাউজেল অদু ফোঙদোকনবা হোৎনবদা অমনা অমগী মতেং লৌই। ভারত্তদা নওনা মালেমগী অরিবা সাহিত্য কয়াদা ফিলোসোফিগী ওইবা ৱাফম কয়া লৈরি। মমীং লৈরবা অইবা কয়ানা শৈরেং অমসুং ৱারেংগী শক্লোনদা মখোয়গী ফীদম্নীংঙাই ওইবা ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোক্লম্মী। খুদম ওইনা খরদং পল্লবদা Hesiod গী Cosmogony, Lucretius গী De Rerum Natura পনবা য়াই। সাহিত্যদা ফিলোসোফিগী ৱাখল্লোনশিং এপিক পোইত্রিগী শক্লোনদসু উবা ফংই। খুদম ওইনা ভারতকী খ্বাইদগী অচৌবা মহাকাব্য অমা ওইরিবা *মহাভারত* পনবা য়াই। ব্যাসদেবকী মহাভারত্তা হিন্দু ফিলোসোফিগী ৱাখল্লোন অমসুং পাউতাক কয়া য়াওই। মসিদা অচুম-অরান, ধর্ম্মগীদমক মায়য়োকনবা, রাজনীতি, মীওইবগী লমচৎনচিংবগী মরমদা ময়েকশেংনা ইরি। হোমরগী ওডিসিদসু ফিলোসোফিকেল ৱাখল্লোন মরাং কায়না য়াওরি। নোংপোকলোমগী মশক নাইবা ফিলোসোফর খরগী মিং পল্লবদা- ১. ব্যাস ২. লাও জু ৩. ওমর খৈয়াম ৪. জালাল এড-দিন মহম্মদ রুমি ৫. মটসুও বাসোনচিংবা পনবা য়াই। অদুগা নোংচুপলোমগী মমীং লৈরবা ফিলোসোফরশিংদি ১. জোন অ্যাশবেরি ২. টি.এস এলিয়ট ৩. হোমর ৪. লুক্রেটিয়স ৫. জোন মিল্টন ৬. জি. কে. চেস্টারটন ৭. এস. টি. কোলরিজনচিংবনি। অসুম্না মালেমগী শক্লাইরবা দার্শনিক কয়ানা য়াম্না অঙনবা মতমদগী মাগী মাগী ৱাখল্লোন সাহিত্যগী থোংদা অমসুং সাহিত্যকারশিংনসু মখোয়গী পুক্নিংগী অনিংবা অপামবা দর্শন শাস্ত্রগী পাম্বৈনা ফোংদোক্তুনা লাকলি। ল্যানিয়র অ্যান্ডরসন (Lanier Anderson)গী ৱাহৈদা ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্যগী লৈনবা মরী অসি অসুম্না ফোঙদোক্লিঃ

> Great Literature is often deeply philosophical and Great Philosophy is often great literature sometimes in the form of fictional narrative. Perhaps we can learn many of the same lessons from philosophy and literature.[৬]

মপুং ওইনা ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্য হায়বসি থাদোক্নবা য়াদ্রবা অমসুং লোয়নদুনা লৈরগদবা হীরমনি। অঙনবা মতমদগী তোঙান তোঙানবা লম অমমম ওইনা লৈরক্লবসু হীরম অনিসি তূনা নৈনবা (ইন্টরডিসিপ্লিনারি) অমসুং থীজিনবদা পুক্লিং চঙলকপনা সবজেক্ত অনি অসি পুন্না নৈনবগী মথৌ তারকলি।

## **ৱারোইশিন (Conclusion)**

মালেমদা থীজিন হুমজিনবগী লমদা অনৌবা শক্লোন অমা ওইনা লাক্লিবা ইন্টরডিসিপ্লিনারি অমসুং মাল্টিডিসিপ্লিনারি এপ্রোজ হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মসিনা সবজেক্ত অনি পুন্না নৈনবগা লোয়ননা অনৌবা মায়থোং কয়া তপ্না তপ্না হাংদোরক্লি। মায়কৈ অসিদা মীওইবগী পুন্সি অমসুং পুক্লিং-ৱাখলগা য়াম্না নক্না মরী লৈনরিবা হীরম অনি ফিলোসোফি অমসুং সাহিত্য হায়বসিবু তূনা নৈনবগী ঈহৌ অমা লাকলি। নোংপোক অমসুং নোংচূপকী দার্শনিক অমদি সাহিত্যকারশিংনা অমনা অমগী মতেংনা মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎনবগী মমি তাবা অঙনবা মতমদগী উবা ফংলি। নৈনরোয় খরনা লমজিং ওইদুনা অনৌবা মতমদা সবজেক্ত অনি অসিগী মরক্তা লৈরিবা ইন্টরডিপেন্দেন্সিগী লমদা থিজিন্দুনা অনৌবা ৱাফম কয়া পুথোরক্লি। মখোয়গী মোত্তা হীরম অনিসি য়াম্না অঙনবা মতমদগী অমনা অমগী থৱায় ওইদুনা লাক্লি হায়না ফোংদোক্লি। অদুবু ক্রিতিক খরনদি ৱাফম অসি মপুংফানা য়ানিংদ্রি। অদুবু পেপর অসিদা নৈনরিবা ৱাফমশিং অসিদগী খঙবদি অমনা অমগী থৱায়মক ওইদ্রবসু অমনা অমগী মতেংনা ফোংদোক্লিংলিবা ৱাফমশিং মপুংফানা ফোংদোকপা ঙম্মি।


References

১https://ivypanda.com/essays/plato-and-aristotle-on-literature/

২https://www.quora.com/What-is-literature-according-toAristotle#:~:text=According%20to%20Aristotle%2C%20literature%20is,for%20the%20reader%20or%20audience.

৩Louis Zoo, The Problem with Philosophy (New York: Oxford University Press, 1996), p. 7.

৪Olusegun Oladipo, In African Philosophy- monograph Series: Philosophy, Literature and the African Novel (Ibadan: Options Book and Information Services, 1993), p. 1.

[৫] https://en.wikipedia.org/wiki/Philosophy_and_literature

[৬]Lanier Anderson, “The Relationship between Philosophy and Literature” www.philosophytalk.org (23, May, 2024).